
# দিল্লি হিংশাগী মতাংদা লোক সভাদা হোম মিনিষ্টরনা পাউখুম পীরিঙৈ ওপোজিসন এম পি শিং মপানদা থোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
দিল্লিদা থোকখিবা, মীওই ৫২গী পুন্সি মাঙখিবা হিংশা অদুগী মতাংদা ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী লাৱার হাউসতা খন্নবদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা পাউখুম পীরিঙৈগী চৈরক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিং লোক সভাদগী মপান্দা থোকখ্রে।

দিল্লিগী অৱাং নোংপোক দিষ্ট্রিক্টতা হাৎন-শুনবগী পুং ৩৬কী মতুং দিল্লি পুলিসনা লাক্সিন্নবা মায় পাক্লা হোৎনখি হায়না হোম মিনিষ্টরনা হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গাদকারিনসু লোক সভাদা হোম মিনিষ্টরনা পীরিবা ৱারোল অদুদা মুন্না তানবা ওপোজিসন পার্টিশিংদা আপিল তৌনবগী তাঞ্জা অমসু লৌখি।

দিল্লিদা থোকখিবা হিশাগী মতাংদা নখোয়গী নুংনাংবশিং ফোঙদোক্লবগী নখোয়গী হক লৈ। অদুবু পার্লিয়ামেন্টতা হোম মিনিষ্টরনা পীরিবা পাউখুম অদুসু নখোয়না মুন্না তাগদবনি হায়খি।

লোক সভাদা ৱাথোক অদুগী মতাংদা মহাক্কী পাউখুম পীরদুনা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা হায়খি- দিল্লি পুলিসনা ফেস-রিকগনিসন সোফৱায়ার শিজিন্নদুনা হিংশাশিং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই ১১০০ রোম মশক খঙখ্রে। মখোয়দুগী মনুংদা ৩০০দি উত্তর প্রদেশতগী লাকখিবনি।

হিংশা অদুগা মরী লৈননা পুন্না মীওই ২৬৭ দিটেন তৌরে নৎত্রগা ফাখ্রে।

ঐখোয়না মীয়ামদা করিগুম্বা মখোয়গী ভিদিও ফুটেজ লৈরবদি মদু দিল্লি পুলিসতা ইমেল তৌখিনবা আপিল তৌখি। ঐখোয়না ভদিও লিশিং কয়া ফংখি। মরান লৈবশিং খঙনবা ফেস আইদেন্টিফিকেসন সোফৱায়ারশিং শিজিন্নখি। মসি সোফৱয়ার ওইবা মরন্না লাইনিংগী য়ুমফমদা খেন্নবা থমদে।

ফেব্রুৱারী ২৫গী মতুংদা হিংশাগী থৌদোক অমত্তা থোকখিদে হায়বসি ঐহাক থম্বা পাম্মি। অদুবু থৌদোকশিং অদুবু পোলিটিসাইজ তৌনবা হোৎনবা কয়া লৈখি হায়না হোম মিনিষ্টরনা হায়খি।

ফেব্রুৱারি ২৪গী নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা হিংশা অদুগী অহানবা পাউ লাকখি অমসুং ফেব্রুৱারি ২৫গী নুমিদাং পুং ১১দা অরোইবা পাউ লাকখি হায়না অমিত শাহনা হায়খি।

ফেব্রুৱারি ২৫গী মতুংদদি ইরাংগী থৌদোক অমত্তা থোকত্রে হায়বসি ঐহাক্লা তশেংনা হায়বা পাম্মি হায়না হৌখিবা চয়োলদগী হৌনা ওপোজিসননা দিমান্দ তৌরকখিবা হিংশা অদুগী খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি।

হিংশা অদুদা দিল্লি পুলিসনা তৌখিবা থবক্কী মতাংদা ৱাহং কয়া হংলকখি। মতমদুদা পুলিস ইরাং থোকফমদা লৈ, পুলিসনা থিগৎকনি অমসুং লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা রিপোর্ট অমা থাগৎকনি।

মীওই লাক্ষ ২০ লৈবা মফমশিং অসিদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী ইরাংশিং অদু লেমহৌরিবা দিল্লিগী অতৈ মফমশিংদা পাক চাওনা শন্দোকহনখিদবদু অচৌবা থবক অমনি অমসুং মদুগীদমক ঐহাক্লা পুলিসপু থাগৎপা পাম্মি হায়খি।

ঐগী মতাংদা ৱাহং কয়া লৈখি অদুবু দোনাল্ড ট্রম্পকী প্রোগ্রামদা ঐ চৎখিদে। ট্রম্পনা রাষ্ট্রপতি ভবনদা লাকখিবদা ঐ য়াওদে। ঐ লঞ্চ নৎত্রগা দিন্নর ফাওবা চাখিদে। দিল্লি পুলিসকা লোয়ননা ঐহাক্লা ফিভম অদু কুপশেন শেন্নখি। পুলিসকী মথৌনা হাপকৎনবা ঐহাক্লা নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবলবু মফম অদুনা চৎনবা হায়জখি। ঐনা চৎলুবা তারবদি ঐগী সেক্যুরিটিগীদমক পুলিসনা মথৌ চিনগদবনা ঐনা চৎখিদবনি হায়না অমিত শাহনা হায়খি।

# তোকখ্রবা কোংগ্রেস এম এল এশিং শোয়দনমক ঐবু উন্নরগদবনি ঃ মধ্য প্রদেশ স্পিকর

*ভোপাল, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
তোকখ্রবা রিবেল কোংগ্রেস এম এল এ ২১গী রিজাইনেসনগী মতাংদা মহাক্লা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক রুলশিংগী মতুং ইন্না থবক চথগনি অমসুং এম এল এশিং অদু উন্নখিগনি হায়না মধ্য প্রদেশ স্পিকর এন পি প্রজাপতিনা হায়খ্রে।

য়াওশং মনুংদা ঙরাং ইমেলদা এম এল এশিং অদুনা মখোয়গী ফম থাদোকপগী ৱারোলশিং অদু থারকখি। মদুনা থা ১৫ শুরবা কমল নাথ গভর্ণমেন্ট কায়বগী ফিভমদা লাকখ্রে।

লোগী মতুং ইন্না রিজাইন তৌরিবশিং অদুনা মশামক স্পিকরগী মাঙদা অহানবদা লাক্কদবনি। মদুগী মতুং খক্তদা ঐহাক্লা কেস অদুগী অচুম-চুমদা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা অফংবা ইভিদেন্সশিং অমসুং ফিভমশিং অদু ঐহাক্লা য়েংশিনগনি হায়না পাউমীশিংদা স্পিকর প্রজাপতিনা হায়খি।

নুমিৎ খরনিগী মনুংদা জ্যোতিরদিত্যা সিন্দিয়া শৌগৎপা রিবেল এম এল এশিং অদুনা মাগী মমাঙদা মথং-মথং লাক্কনি থাজে। রিবেলশিং অদুগী মনুংদা য়াওখ্রবা মিনিষ্টর ৬ লৌথোক্লবা হায়জদুনা চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা ঙরাং গভর্ণরদা চে ইখ্রে। হিরম অদুগী মতাংদা গভর্ণরনা থবক লৌখৎকদবা ৱাৎলি।

কোংগ্রেস লুচিংবা জে পি ধনোপ্রিয়ানা মিনিষ্টরশিং- তুলসি সিলাবাত, মহেন্দর সিংহ, সিসোদিয়া, ইমারতি দেবী, গোবিন্দ সিংহ রাজপুত, প্রধুরাম চৌধরি অমসুং প্রদুমন সিংহ, দিসক্কালিফিকেসন তৌনবগীদমক স্পিকরদা তোঙান-তোঙানবা চেরোল ৬সু থাঙ্গৎখ্রে।

অদুম ওইনমক জ্যোতিরদিত্যা সিন্দিয়ানা কোংগ্রেস থাদোকখিবা অমসুং বি জে পিদা য়াওখিবা য়াবগী ফিভম অদুদা এম এল এ শিংদুগী মনুংদা মচেৎ ২ থোরকখ্রে হায়বগী পাউ লৈরে।

পোলিটিকেলগী নাকপাক তান্নবা অদুদা মহাক্কী মতুং ইনবগী মতাংদা এম এল এশিংদু পামফাৎতবা লৈরম্বা য়াই হায়বনা পাউ কয়ানা ফোঙদোক্লি।

কোংগ্রেস এম এল এ ২১ অদু নিংথৌকাবগী নুমিদাংৱাইরমদা চার্টর ফ্লাইট অমদা করনাতকাগী বেঙ্গলুরুদা পাইখিবনি। মখোয় অয়াম্বা সিটি অদুদা লৈরি।

করনাতকাদা পার্টিগী ৱাথোক-লান্থোক তায়শিন্নবা ঙম্বা দি কে শিবকুমারনা রিবেল এম এল এ অয়াম্বা অদু অরিবা পার্টিদা অমুক হল্লক্লগনি অমসুং মহাক্লা মখোয়গা ৱারী শান্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

মসি থোইনা শাংবা ৱাথোক অমা ফাওবা ওইদবা য়াই, মখোয়না থুনমক হল্লকপা য়াই হায়না ঙরাং শিবকুমারনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মরকসিদা কোংগ্রেসনা হাউসকী ফ্লোরদা মখোয়গী পাঙ্গল প্রমান তৌগনি ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা মাগী গভর্ণমন্টেনা তার্ম মপুং ফাগনি হায়বসিদা মহাক থাজে। মসিদা ৱানিংঙাই অমত্তা লৈতে। ঐখোয়না ঐখোয়গী মেজোরিটি উৎকনি হায়না ঙরাং লৈবাকপোকপগী নুমিদাং অথেংবদা মহাক্লা হায়খি।

# কোংগ্রেস এম পি ৭কী সস্পেন্সন হন্দোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
দিল্লিদা থোকখিবা হিংশা অদুগী মতাংদা খন্নবগী দিমান্দ অমগী মতাংদা হাউসপু অকায়বা থোকহনবগীদমক হৌখিবা চয়োলদা পার্লিয়ামেন্টতগী কোংগ্রেস এম পি ৭ সস্পেন তৌখিবা অদু অমুক হন্দোকখ্রে।

সস্পেন তৌখিবা মেম্বরশিং অদুদি গৌরব গোগোই, টিম এম প্রথাপন, দিন কুরিয়াকোসে, বেন্নি বেহনানম, মনিক্কম তেগো, রাজমোহন উনিথান অমসুং গুরজিৎ সিংহ ঔজলানি।

বজেট সেসনগী অনীশুবা তঙ্খায় এপ্রিল ৩দা লোইগনি। কোংগ্রেসকী হাউসতা লিদর ওইরিবা অধির রঞ্জন চৌধরিনা মদু লমন খুম্বগী পোলিটিক্সনি হায়রদুনা পার্টিনা লেন্না তোক্লোই হায়খি।

স্পিকর ওম বিরলাগী কাদা পার্টি পূন্নমক্লা মহাক হাউসতা লাক্লবা হায়জখি অমসুং মখোয়না মহাকপু থাজে হায়খি। ওপোজিসননসু সস্পেনসন অদু অমুক হন্দোক্লবা মঙোন্দা হায়জখি হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

সিটিজেনসিপ (এমেন্দমেন্ট)এক্ট নৎত্রগা সি এ এ গী মতাংদা দিল্লিদা থোকখিবা হিংশা অদুগী মতাংদা খন্নবগী দিমান্দগী মতাংদা মুক্লারকখিবনা বজেট সেসন অসিগী অনীশুবা তঙ্খায়গীদমক পার্লিয়ামেন্টনা মীফম অমুক হৌরকখিবা মতুংদগী অতৈ হিরমশিং খন্নবগী মতম থোইনা ফংহন্দনা হন্না হন্না এদজোর্নমেন্টশিং তৌহনখি।

খ্বাইদগী চাওবা মুক্লবগী থৌদোক অদু গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসন মেম্বরশিংনা হকথেংননা খূৎ থোক্লখিবা অমসুং চিয়ারদা চে মতুম -মতুম তাশিল্লগা থাজিল্লকখিবা হৌখিবা নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থোকখিবনি।

নিংথৌকাবগী চরাংনবা অদুগী মতুং স্পিকর ওম বিরলানা হাউসকী থবক ফজনা চথবা য়ানবগীদমক চৎনগদবা নিয়ম খরা শেন্নবা পার্টি পুম্বগী মীফম অমা কৌখি।

মেম্বরশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবা অদুগী মতুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা স্পিকরনা অমনা অমগী নাকন্দা লানশিনবা ওপোজিসন অমসুং ট্রিজরি বেঞ্চ অনীমক্কী মেম্বরশিং সেসনগী মতম পুম্বা সস্পেন তৌগনি ৱার্নিং তৌখি।


স্পিকরগী টেবলদগী চে-চাংশিং মুনবা হায়বসি চিয়ারদা শাথিনা ঈকাইখুন্নবা উৎতবনি। চিয়ারদগী চে-চাংশিং মুনখিবশিং অদু মখোয়গী মেম্বরসিপতগী ককথৎকদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর প্রল্হাদ জোসিনা হায়খিবনি।

# কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং হেনগৎলকপদগী ইন্দিয়ানা ম্যান্মার ঙমখৈ পরিং থিঙজিন্দুনা থমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
খা নোংপোক এসিয়া লৈবাকশিংদা কোরোনাভাইরসনা নাবা মীগী মশীং য়ুমশৈকেশা নুমিৎতা কা হেন্না হেনগৎলকপদগী ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈশিং থিঙজিন্দুনা ভাইরস অসি চংশিলক্তনবা থবক লৌখৎখ্রে।

ভাইরস অসিনা চাইনাগা য়ুম্লোন্নরিবা খা নোংপোক এসিয়া লৈবাকশিংদা শোকহনবদগী য়ুরোপ অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা শোকহনবগী চাংনা হেল্লি। অদুম ওইনমক খা নোংপোক এসিয়াদা কনফার্ম ওইবা কেস মশীং ৮০ শুখ্রে।

ইন্দিয়ানা ফ্রান্স, স্পেন অমদি জর্মনিগী সিটিজেনশিংদা মখা তাবা নোটিস অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা ভিসাশিং ইসু তৌবা লেপখ্রে। অথীংবা অসি চাইনা, ইটালি, ইরান, জপান অমদি সাউথ কোরিয়ানচিংবা ভাইরস অসিনা য়াম্না শাথিনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদা হান্নদগী থমদুনা লাক্লবদি।



ম্যান্মারদা লায়না অসিগী কন্ফাম কেস লৈবগী পাউ ফংদ্রবসু ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিং থিঙজিনবগী থবক লৌখৎখ্রবনি।

ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস ৫২ লৈরে হায়না কনফার্ম তৌবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা শোকহল্লবা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা মরম লৈতনা চখোক-চৎশিন তৌবা অমদি মফমশিং অসিদগী হল্লকপদা মশানা মশাবু ক্বারেন্টাইন তৌজনবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না লৈঙাক্লা খঙহনখিবা লৈরে।

ইন্দিয়াগী খা থংবা ষ্টেট অমা ওইরিবা কেরলাদা হৌখিবা চয়োল অসিদা অনৌবা কেস ৩ রিপোর্ট তৌরকখিবগা লোয়ননা স্কুলশিং, সেনিমা হোলশিং থীংজিন্দুনা কোরোনা ভাইরসনা শোকহল্লকপদগী ঙাকথোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

ভাইরস অসি চংহন্দনবগীদমক য়ামদ্রবদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈবা স্কুলশিং থিঙজিনবগী ৱাফম লৈখ্রবনি। অফগানিষ্টানদা কোরোনাভাইরসকী কনফার্ম কেস ৪ লৈরম্বদগী ৭তা হেনগৎলক্লে হায়না লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ঙসি লাওথোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা বাংলাদেশতা অহানবা ওইনা কোরোনা ভাইরসকী পোজিটিব কেস ৩ থেংনখ্রবা মতুংদা চিন খুন্নবা মাস্ক অমদি খূৎ হান্নবা সেনিটাইজরশিং মমল ৱাংখৎলকপা অসি থীংনবা লৈঙাক্লা থবক লৌখৎনবা বাংলাদেশ হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে।

বাংলাদেশ হায় কোর্টকী য়াথং অদুগী মতুং ইন্না ধাকাদা লৈবা ফার্মসি ৩০ মাস্ক অমদি সেনিটাইজর মমল হেন্না য়োলম্বগীদমক ফাইন থিনবা কোর্টনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মাস্ককী মমল লৈবাক অদুদা হান্না পীরম্বা মমলদগী শরুক ৪০ হেনগৎনা য়োন্নরে হায়না ওফিসিয়েল শিংনা ফোঙদোরক্লি।

# চিনাদা কোরোনাভাইরস হন্থরকখ্রে, য়ু কেদদি হেল্ঠ মিনিষ্টর নাদিন দোরিজ ভাইরসনা নাখ্রে

*লন্দন /বৈজিং, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
অনৌবা কোরোনাভাইরসনা ইহান হান্না শোকখিবা চিনাদদি ভাইরসকী ফিভম হৌজিক হন্থরকখ্রে।

চিনানা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লিবা ৱুহানদা মরুওইবা কম্পেনিশিং থবক হৌনবা লাওথোকখ্রে। চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা হুবৈ প্রোভিন্সকী কোনুং অদুদা অহানবা খোঙচৎ চৎখিবগী নোংমগী মতুংদা ৱারেপ অদু লৌরকখিবনি।

অসুন্না কোভিদ-১৯ হৌরকখিবা চিনাদা লাইচৎকী ফিভম হন্থরকখ্রবসু মালেমগী অতৈ লৈবাকশিং, মরুওইনা ইতালি-ইরান-সাউথ কোরিয়ানচিংবদা লাইচৎকী ফিভম হেনগৎলক্লি। মরকসিদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী হেল্ঠ মিনিষ্টর অদু ফাওবা অনৌবা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা নাখ্রে।

য়ু কেদা মীওই ৪০০ রোম কোভিদ-১৯না নাখ্রে। মশাগী চহী ৬২ শুরবী হান্নগী নর্স অমা ওইরিবী লৈবাক অসিগী হেল্ঠ মিনিষ্টর নাদিন দোরিজনা মহাক ভাইরস অসিনা নারে হায়না ফোঙদোক্লকখিবনি।



বি বি সিগী মতুং ইন্না মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবগী তুংদা য়ুমদা মশানা আইসোলেট তৌদুনা লৈজখি অমসুং চেকশিন-থৌরাং পুন্নমক লৌখৎখি হায়না পার্লিয়ামেন্টকী কঞ্জার্বেটিব অমা ওইরিবী দোরিজনা হায়খি।

ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা টর্কিদা অনাবা অহানবা মীওই থেংনরে লাওথোকখ্রে। হৌজিক কোভিদ-১৯না মালেমগী লৈবাক ১১৪দা শন্দোকখ্রে।

মালেমগী লৈবাকশিংদা লাইচৎ অসি নাবা অমসুং মসিদগী শিবা মশীংদি ঃ ইটালিদা ঙরাং নোংমা খক্তদা নৌনা অনাবা ১৬৮ শিদুনা পুন্না শিবা ৬৩১ শুরে অমসুং মীওই ১০,০০০ হেন্না নাখ্রে। চিনাগী হেক মথংদা মসিনা ২শুবা খ্বাইদগী হেন্না লাইচৎ অসিনা শোকপা লৈবাকনি।

সাউথ কোরিয়াদা অনৌবা কয়া নারকখিবগা লোয়ননা ঙসি য়ুমশকৈশাদা পুন্না নাবা মীশিং ৭৭৫০ হেনখ্রে, ৫৪ শিখ্রে।

অনাবা ৪,০০০ হেন্না শিহনখ্রবা, মীওই ১১৩,০০০ হেনবদা নাহল্লকখ্রবা কোভিদ-১৯গী মালেমগী ওইনা লৈরিবা ফিভমদি চিনাদা নাবা ৮০৯২৪, শিবা ৩১১৯, ইটালিদা নাবা ১০,০০০ হেনবা, শিবা ৬৩১, সাউথ কোরিয়া নাবা মীং ৭৭৫৫, শিবা ৫৩, ইরান নাবা মশীং ৮০৪২, শিবা ৩৫৪নি।

অতৈ লৈবাকশিংগীদা অফগানিষ্টানদা -অনাবা মশীং ৪, অলবানিয়াদা ৬, অলজেরিয়াদা ২০ এন্দোরাদা ১, অর্জেন্টিনাদা ১২-শিবা ১, অষ্ট্রেয়াদা ১৩১, অজরবৈজালদা ৯, বহরেনদা ১৮৯, বেলারসতা ৯, বেলজিয়মদা ২৩৯-শিবা ১, বোসনিয়া অমসুং হরজেগোবিননা ৫, ব্রাজিল ২৫, ব্রুনৈ ৬, বরকিনা ফাসো ২, বলগেরিয়া ৪, কম্বোদিয়া ৩, কেমেরুন ২, কানাদা ৭৭-শিবা ১, ইজিবতা ৫৯-শিবা ১, প্রন্সতা ১৪০২-শিবা ৩০, জর্মনিদা ১২৯৬-শিবা ২, হোং কোংদা ১২০-শিবা ৩, ইন্দোনেসিয়াদা ১৯-শিবা ১, ইরাক ৭১-শিবা ১, জপান শিবা ১৬, লেবানন শিবা ২, মোরোক্কো শিবা ১, নেদরলেন্স শিবা ৪, স্পেন শিবা ৩৯, স্বিটজরলেন্দ শিবা ২, থাইলেন্দ শিবা ১, য়ুনাইটেদ কিংদব শিবা ৬, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নাবা ১০৩৭-শিবা ২৮নি।

# অফগানিষ্টানদা জেলশিংদগী টালিবান বন্দি ১৫০০ থাদোক্লগনি

*কাবুল, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
প্রসিদেন্টকী দিক্রিগী কোপি অমগী মতুং ইন্না আফগানিষ্টানদা চহী ১৮ শাংনা চথরক্লিবা লান লোইশিন্নবগী পান্দমদা টালিবানগা হকথেংননা ৱারী শন্নবগী লম্বী অদু ফাৎনবা লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অফগান প্রসিদেন্ট আশ্রফ ঘনিনা টালিবান বন্দি ১,৫০০ থাদোক্লবগী শেম-শাখ্রে।



প্রসিদেন্ট ঘনিনা সহি তৌবা লমাই ২গী দিক্রি অদু মহাক্কী ওফিসনা কোন্না মীয়ামদা খঙহল্লক্কনি। দিক্রি অদুনা থাদোক্লবা টালিবান বন্দি পূন্নমক অদুনা মখোয় লানফমদা অমুক হন্দনবগী অইবা গেরেন্টি অমা পীবা তাই হায়খি। দিক্রি অদুনা বন্দিশিং অদু করন্না সিষ্টেমেটিক ওইবা মওং অমদা থাদোক্কনি হায়বগী মরীকচুম্বা ৱারোলসু পীরি। থাদোকপা অদু নুমিৎ ৪নিগী মনুংদা হৌগনি হায়না দিক্রি অদুনা হায়।

অফগানগী জেলশিংদগী নুমিৎ খুদিংগী বন্দি ১০০ থোক্তুনা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা টালিবান বন্দি ১৫০০ থাদোকপগী থবক অদু মপুং ফানা লোইশিনগনি। দিক্রি অদুনা হায়, লান লোইশিন্নবা টালিবান অমসুং অফগান গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা ৱারী শান্নবা অদু বন্দি থাদোকপা অদুগা মতম ফাংননা চথগনি।

করিগুম্বা ৱারী শান্নবা অদুনা খূৎমাং চাওশিল্লক্লবদি পুন্না টালিবান বন্দি ৫,০০০ ফাওবা শুনবা চয়োল ২ খুদিংগী মখা তানা টালিবান বন্দি ৫০০-৫০০ থাদোক্কনি হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অমসুং মসিগী ৱাংমদা টালিবাননা হিংশা হন্থহন্নবগী মখোয়গী ফিরেপ অদুদা চপ চানা লেপ্পা তাই হায়না দিক্রি অদুনা হায়খি।

গভর্ণমেন্টকা লালহৌবশিং অদুগা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা তোঙান্না ৱারী শান্নরবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট অমসুং লালহৌবশিংগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শান্নবা হৌদোক্লবগী লম্বী অদু ফাৎনবা থাজবা শাগৎনবগী পাম্বৈ অমা ওইনা বন্দিশিং অদু থাদোকপনি।

বন্দি ওন্থোক্লবা অমদা টালিবান কম্মান্দরশিংনা মখোয়গী ফাইটরশিং অদু পুনবগী থৌরাং ওইনা গাড়ীশিং থারকখ্রে অমসুং গভর্ণমেন্ট ট্রুপ ১,০০০ হেন্না খূৎশিন্নদুনা য়ানরোল অদু মখোয়না ঈকাইখুন্নগনি হায়খি।

য়ু এস মিলিটরি বেজ অমগা থংনবদা লৈরিবা ফাদুনা থমফম ওইবা বাগ্রামদগী নৎতনা অতৈ জেলশিংদগীসু বন্দিশিং থাদোক্কদ্রা হায়বদু খঙদ্রি।

# প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিবির পুটিনবু অমুক হন্না ভোট লেপ্পা য়াহনবা রিফোর্মস রসিয়ান পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে



*মোস্কো, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
রসিয়াননগী লাৱর হাউসনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগী লৈঙাকপু অতোপ্পা টার্ম ২ শাংদোকহনবা য়াবা য়াওনা কনষ্টিট্যুসনেল রিফোর্মস পাস তৌখ্রে।

কনষ্টিট্যুসনেল এমেন্দমেন্টসকী পোক্কেজ অদু শৌগৎতুনা ষ্টেট দুমা লোমেকর ৩৮৩না ভোট পীখি, লোমেকর ৪৩ ভোট য়াওখিদে অমসুং মায়োক্তা কনামত্তা লৈখিদে। খোঙথাং অদু অপ্পর হাউস ফেদরেসন কাউন্সিলনা হৌজিক শোয়দনমক এপ্রুপ তৌগদবনি অমসুং এপ্রিল ২২দা মতম লেপ্লিবা পব্লিক বোর্দ অমদা থাগৎখিগদবনি।

জনুৱারি থাদা প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা পেক্কেজ ওফ রিফের্মস অদু লাওথোকখিবনি। রিফোর্মশিং অদু মদুগী মতুংদগী ২০২৪দা মাগী অরোইবা অমসুং ৪শুবা প্রসিদেন্সিলে টার্ম লোয়রক্কদৌরিবা অদুদা মখূৎতা শক্তি পায়দুনা লৈরক্লিবদু মতম শাংদোকহন্নবনি হায়বদু মহাক্লা হন্না-হন্না য়াখিদে।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা কনষ্টিট্যুসনেল কোর্ট অদুনা পুটিনবু অমুক হন্না মীরেপ ওইবা য়াহন্নবগী ওইথোকহন্দুনা প্রসিদেন্সিয়েল টার্মশিং পুমনৌ নৌনা অমুক হৌহনবা য়াবা অতোপ্পা এমেন্দমেন্ট অমা ঙরাং পুথোকখি।

ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎকী ভোট অদুগী মতুংদা দুমা স্পিকর ব্যাচেস্লাব বোলোদিননা হায়খি, অহোংবশিং অদু চুম্লে হায়দ্রি। লৈবাক অসিগী দিভলপমেন্টকী ষ্ট্রেটেজিগীদমক মখোয়না থৌরাং তৌবনি হায়না রসিয়ান এজেন্সিশিংনা হায়খি।

কনষ্টিট্যুসনদা অতৈ হাপচিল্লিবশিং অদুদি পেন্সন পেআউটশিং, মিনিমম সেলরিজগী গেরেন্টি, হেদ ওফ গভর্ণমেন্ট হাপ্নবগী পার্লিয়ামেন্টতা অহেনবা শক্তি পীবা য়াওরি।

এমেন্দমেন্টশিং অদুনা লৈবাকসিগী হায়র কোর্টশিংগী জজশিং লৌথোক্লবা অমসুং পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌবা লোশিং ককথৎনবা প্রসিদেন্টতা অহেনবা শক্তিশিংসু পীরি।

# বি জে পিনা জ্যোতিরদিত্যা সিন্দিয়াবু রাজ্য সভাগীদমক নোমিনেট তৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
বি জে পিনা মধ্য প্রদেশতগী রাজ্য সভাগীদমক নোমিনেট তৌবা মীরেপ ২গী মনুংদা জ্যোতিরদিত্যা সিন্দিয়া য়াওরে।

মহাকপু রাজ্য সভাগী নোমিনেট তৌবগী ৱাফম লাওথোকখিবা অদু ৪রক লোক সভা এম পি ওইরম্লবা মশাগী চহী ৪৯ শুরবা অদুনা বি জে পিদা য়াওরকখিবগী মীৎকুপ খরগী মতুংদনি। মিষ্টর সিন্দিয়ানা মহাক্কী চহী ১৮গী পার্টি কোংগ্রেসপু ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থাদোকখিবনি।

# SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-403**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | | 7 | 8 | | 9 | | |
| | | 8 | | 3 | 9 | | 5 | |
| 7 | | | | 4 | | 8 | | 1 |
| 8 | 7 | | | | 4 | | 9 | |
| 4 | 9 | | | 7 | | | 1 | |
| | 1 | 3 | 5 | | | | | 8 |
| | | 1 | | 5 | | | 7 | |
| 5 | | | 9 | 2 | | | | |
| | | 7 | | | 8 | 4 | | 5 |

# পাক এয়ার ফোর্স প্লেন ক্রাস তৌখ্রে

*ইস্লামাবাদ, মার্চ ১১(এজেন্সি)ঃ*
পাকিস্থান এয়ার ফোর্সকী এফ-১৬ ফাইটর জেট অমা লৈবাকসিগী কোনুং সিটি ইস্লামাবদাতা ঙসি অয়ুক ক্রাস তৌখ্রে।

পাকিস্থান এয়ার ফোর্সকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মার্চ ২৩দা পাংথোক্কদৌরিবা পাকিস্থান ডে এয়ারসো অমসুং পেরেদ অমগী রিহার্সেলশিংদা য়ু এসনা শাবা এফ - ১৬ অদু শরুক য়াখিবনি হায়খি।

ক্রাস মফম অদুদা রেস্ক্যু টিমশিং থাখ্রে। ক্রাস তৌবগী মরম লেপ্নবা এয়ার হেদক্বার্টরসনা বোর্দ ওফ ইনক্বারি অমা ওর্দর তৌখ্রে হায়খি।

GAS TODAY
Manipur Gas, Sangakpham
Booking : 02/01/20
Valid : 25/12/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**সনা-সুদোকু - ৪০২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | 3 | 9 | 8 | 4 | 5 | 2 | 7 |
| 7 | 4 | 2 | 5 | 3 | 6 | 1 | 8 | 9 |
| 8 | 5 | 9 | 1 | 7 | 2 | 4 | 3 | 6 |
| 3 | 2 | 5 | 7 | 1 | 9 | 6 | 4 | 8 |
| 1 | 6 | 8 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 3 |
| 9 | 7 | 4 | 8 | 6 | 3 | 2 | 5 | 1 |
| 5 | 9 | 6 | 3 | 4 | 8 | 7 | 1 | 2 |
| 2 | 8 | 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 9 | 4 |
| 4 | 3 | 1 | 2 | 9 | 7 | 8 | 6 | 5 |